DVD/STAB./
/TATA SKY HD FREE
24" LED TV
+ 170LT REFRI:
+ 7.2KG H13 W/MACHINE
= ₹ 29000
24" LED TV
+ 190LT 4 STAR REF
+ 7.2KG H11 W/MACHINE
= ₹ 30000
PANA LADY, CHINGTAM, KHOYATHONG RD.
NAMBOL, KAKCHING, THOUBAL.
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

[illegible]

# নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

NEW YEAR
SPECIAL PRICE
LIMITED STOCK VALID 24TH JAN. 2015
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8290 = ₹ 7500
6KG ₹ 8500 = ₹ 7600
7.2KG H13 ₹ 9990 = ₹ 8600
7.2KG H11 ₹ 10590 = ₹ 8700
20" LED TV = ₹ 9000
22" LED TV = ₹ 10700
24" LED TV = ₹ 11800
150LT REFRIG: = ₹ 8300
170LT REFRIG: = ₹ 9000
190LT REFRIG: = ₹ 9700
190LT (4 STAR) = ₹ 10000
PANA LADY, CHINGTAM, KHOYATHONG RD.
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

খারম ষ্টুদেন্টস কনফরেন্স কম কলচরেল মিট দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হৌদোকপা

লাইঙৌবী রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অতোপ্পা মফমদা হোংদোকপা য়ারোই হায়না খোইজুমান তাবী এল পি স্কুল লম্পাক্তা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথবা

১৯ শুবা চহি, ইশু ১৮৬ www.naharolgithoudang.com ইম্ফাল, জানুৱারি ২১, ২০১৫ ইং ফাইরেনগী নোংমা পানবা, য়ুমশকৈশ RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP 408 মমল লুপা ৩.০০

**অতেনবা পাউ**

## গভর্নরনা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ২০ঃ* মণিপুর ষ্টেটহুদ দে লাকপগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্নর ডাঃ কে কে পাউলনা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি। গভর্নরগী য়াইফ-পাউজেল অসিদা হায়রক্লিবনা মণিপুর মীয়াম্না মতম শাংনা মংলকপা মঙ অদু ঙসিদগী চহী ৪৩গী মমাং ১৯৭২ গী জানুৱারি ২১ দা ষ্টেটহুদ ফংদুনা মংফাওনখি। অদুম ওইনমক মণিপুর ঙসি হিরম কয়াদা শোত্থরি। লমদম অসিগী মীয়াম য়াইফনবগীদমক্তা নৌনা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু লৈ। হ্যুমেন রিছোর্সকী লৈরিবা শক্তিশিং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিনা চাওখৎনবা হোৎনবদা খুমাং য়াংশিন্না থবক পায়খৎপা জগ্গী শক্তি অদু চপ চানা লৈ হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মণিপুরবু চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইহনসি হায়রি।

### [illegible]

[illegible]

[illegible]

**হৱাদো লৈরাংদো**



ইমৌনুপীনা য়ানা চিক্লে...।
DOCTOR
হিদাক কাপথোকপা নমৌরো?

**GAS**

***MM Gas***
Bk. 19-10-14....612
V.F. 8-10-14
Delivery time 7am to 10 am

***Lamsang Gas***
Bk. 25-9-14......306
V.F. 6-9-14
Delivery time 7 am to 10 am

***Swaombung Indane Service***
Bk. 6-10-14......306
Subsidise -166
Non- Subsidise -160
Delivery time 7 am to 10 am

# জেনিমসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংবগী মতাংদা এমসিআই গী টিম্না ইন্সপেক্সন তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ২০ঃ* মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা নৌনা হাংদোক্লিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা হৌজিক হৌজিক এমবিবিএস কী কোর্স হাংদোকপগা লোইননা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌহন্নবসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কন্না হোৎনরি।

মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এমসিআই) না পীবা গাইদলাইন শুদনা জেনিমসকী ডাইরেক্টরনা নম্ফুদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংদোক্লবা হোৎনরুবগী মহৈনা লুপা লাক্ষ কয়াগী শেনফম অরেম্বদা চৎহল্লব্রা হায়বগী ৱাফমসু থোরক্লি।

প্রেসনা ফংবা অৱাংবা থাক্কী সোর্স অমনা হায়, হৌজিক হৌজিক জেনিমসতা এমবিবিএস (অন্দর গ্রেজুয়েট) তম্লিবা অসিবু য়েংশিন্নবগীদমক্তা চহী অসিগী জানুৱারি ১৯ হায়বদি ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এমসিআই গী মীওই অহুমনা শাবা ইন্সপেক্সন টিম অমা লাকখ্রে। হায়রিবা ইন্সপেক্সন টিম অসিনা লাকপগী মরমনা চহীগী ওইনা চখবা ইন্সপেক্সন অমা ওইনা এম সি আই গী টিম অদু লাকপনি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক জেনিমস এমবিবিএস তৌরিবা মহৈরোইশিংনা পাস তৌরবা মতুংদা মখা তানা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌবা য়াননবগীদমক্তা জেনিমস সোসাইটিনা কন্না হোৎনরি। জেনিমসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংবা হায়বসি মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী গাইদলাইন ফুলফিল ওইদ্রগদি হাংবা য়াদবনি। করিগুম্বা জেনিমসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংগে হায়বা তারগদি মদুগী মথৌ তাবা ওজা মশিং শুনা থম্বা, মতিক চাবা কা লৈহনবগা লোইননা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর খুদিংমক লৈগদবনি হায়বসিনি। অদুবু জেনিমসকী ডাইরেক্টরনা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা গাইদলাইনশিং অদু থুগায়রগা পোষ্ট ৮ গী পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌননবা অহুমলক হন্না প্রপোজেল থাখ্রে।

জেনিমসকী ডাইরেক্টরনা অহুমলক হন্না দিপার্টমেন্ট ৮ দা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংদোক্লবা প্রপোজেল থাবদা অরেম্বদা লুপা লাক্ষ কয়া চৎহল্লে হায়বসিনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবদি, মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী ইন্সপেক্সন টিম কৌথোকপদা পোষ্ট অমদা লুপা লাক্ষ ৩/৩ থিরিবনি। সবজেক্ট ৮ গী অহুমলক হন্না লুপা লাক্ষ ৩/৩ থিবা তারগদি হৌজিক ফাওবদা মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী জেনিমসতা পি জি হাংদোক্লবা মরম চাদনা এমসিআই দা থিখিবা শেনফম লুপা লাক্ষ ৭২ শুরে হায়না থাজনরি।

অমরোমদা লাইবক ফবা অমা ওইরিবদি মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা জেনিমসতা দিপার্টমেন্ট অনি পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌবগী অয়াবা পীরক্লে। হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অদুদি বাইও কেমিষ্ট্রি অমদি ফার্মাকোলোজি হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অনি অসিনি।

হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অনি অসিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌবগী অয়াবা পীরক্লগসু অতোপ্পা সবজেক্ট তরুক অমদদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌবগী অয়াবা পীরক্তে।

চৈরকসিদা ঙসি মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী নুপী য়াওনা মীওই অনিনা শাবা ইন্সপেক্সন টিম অমা লাক্কুনা জেনিমসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংদোক্লবা জেনিমস সোসাইটিগী মাইকৈদগী হায়রক্লিবদু মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী গাইদলাইন শুনা লৈরব্রা নত্রগা লৈত্রিবরা হায়বদু থিগৎখ্রে।

পনবা য়াবদি, জেনিমস সোসাইটিগী মাইকৈদগী জেনিমসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌননবা প্রপোজ তৌখিবা দিপার্টমেন্ট ৮ অদুদি, মাইক্রো বাইওলোজি, পেথোলোজি, এনাতোমি, *(মখা লাঃ৪দা)*

> **এমসিআই গী গাইদলাইন শুদনা পোষ্ট গ্রেজুয়েট হাংনবা হোৎনরুবদা লুপা লাক্ষ ৭০গী মথক্তা চাদিং তৌখ্রবরা**

# তমেংলোংদা পিঃ এমঃ জিঃ এসঃ ৱাইগী লুঃ ক্রোর ২১ হেনবা শেলফমগী ৱার্ক এৱার্দ তৌখ্রগা থবক্তি পায়খৎত্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল জানুৱারি ২০ঃ* প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সডক যোজনা ( পিঃ এমঃ জিঃ এসঃ ৱাইঃ) গী মখাদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম ৪ দা লম্বী শেম্নবা ৱার্ক এৱার্দ তৌরগা (থবক পীরগা) হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎত্রে হায়না তমেংলেং পব্লিক ফোরম (তিঃ পিঃ এফঃ) কৌবা ওর্গনাইজেসন ১গী এদভাইজর কে অবোন মাইনা সহি তৌদুনা ঙরাং প্রেসতা থাদোকখিবা প্রেস রিলিজ ১না ফোদোক্লি।

তমেংলোং হেদ ক্বার্টরগী ইদেন হিল ৱার্দ নম্বর টুদা হেদ ওফিস ওইরগা ইম্ফালগী লাঙ্গোল তরুং গ্রেস একাদমী মনাক্তা লাইএজন ওফিস ওইরিবা ফোরম অসিনা থাদেরকপা চেরোল অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ৱার্ক এৱার্দ তৌখ্রবা লম্বীশিং ১দি মখোইগী তোঙান-তোঙানবা চংগদবা শেলফমশিং মচা খায়না পল্লি।

থবক ১মম্না থা ১৮ /১৮ চংনা শেম্না য়াবগী থাক্তা লৈখ্রবা লম্বীশিং অদুদি কিঃ মিঃ ৬ শাংবা পাল্লোং (সাওথ) তগী পাল্লোং (নোর্থ) তাবা লম্বী (পেকেজ নম্বর এম এন ০৭৮৫) এষ্টিমেটেদ কোষ্ট লুঃ ২,৭৫, ৪৮, ৯৮২.০৯, দিকিউরাম (লাংপ্রম) দগী তাইপ্রম তাবা কিঃ মিঃ ১৩.৯৫ শাংবা লম্বী (পেকেজ নম্বর এম এন ০৭৮৪) এষ্টিমেটেদ কোষ্ট লুঃ ৬,৩৭,৩৩,৯৯৫.২০, দিকিউরামদগী লংপ্রম তাবা য়াবা কিঃ মিঃ ১৫ শাংবা লম্বী ( পেকেজ নম্বর এম এন ০৭৮৩) এষ্টিমেটেদ কোষ্ট লুঃ৬,৬৬,৪৩,৯৩.১৩, ওক্তান্দগী নুরাথেল তাবা কিঃ মি ১৩ শাংবা লম্বী ( পেকেজ নম্বর এমঃ এনঃ ০৭৮১) এষ্টিমেটেদ কোষ্ট লুঃ ৫,৮৪,৫৫,২৬২.১৮ অসিনি। দিষ্ট্রিক্ট অসি ওইনা এৱার্দ তৌখিবা থবক ময়ামগী মরক্তা খুদম ওইবা য়াবা লম্বী ৪ অসি খক্তমক ফোরম্না পুথোরকপনি হায়রি।

টিঃ পিঃ এফঃ কী চোরোল অদুন, তমেংলেং দিষ্ট্রিক্টনা মপুং ওইরগা চীংগী দিষ্টিক্টশিংদা পিঃ এমঃ সিঃ এসঃ ৱাইঃ গী মখাদা তোঙান-তোঙানবা লম্বী /আইঃ ভিঃ আরঃ (ইন্টর ভিলেজ রোদ) শিং শেম্নবা চহি ১০ হেন্না লুঃ ক্রোর চাকয়া সেন্টরনা কায়থোকখ্রবসু লম্বীদি শেমদনা লান্না শিজিন্নরগা তোকখিবা কয়া য়াওরি হায়না চার্জ তৌরি। ইশম শন্না লম্বী অমত্তা সিঃ পিঃ দবলিউঃ দিঃ (সেন্ট্রল পব্লিক ৱার্ক্স দিপাটমেন্ট) না পীবা গাইদ লাইন্সকী ষ্টেন্দার্দ য়ৌদনা শেম্না মরম ওইদুনা নোংজুথাগী মতমদা গাড়ী ফাওবা চৎপা য়াদ্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা মরী লৈনবা অথোরিটিগী মিৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

সিঃ পিঃ দবলিউঃ দিঃ গী গাইদ লাইন মতুং ইন্না ৱার্ক এজেন্সি ১দা থবক পীনবা টেন্টর পীবদা সেদ্যুল রেটতগী চাদ ৫ ফাওবগী চাংদা টেন্দর থাগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরবসু এমঃ এসঃ আরঃ আরঃ দিঃ এঃ (মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদ দিভেলপমেন্ট এজেন্সি) গী চিফ ইঞ্জিনিয়ার ১দি অতৈ তেন্দর প্রোসেসতা য়াওরিবা ওফিসিএলশিংনা সিঃ পিঃ দবলিউঃ দিঃ ১সুং এনঃ আরঃ আরঃ দিঃ এঃ (নেস্নেল রুরেল রোদস দিভেলপমেন্ট এজেন্সি) না প্রেসক্রাইব তৌবা সেদ্যুল রেটতগী হন্না চাদ ২০ দগী ৩০ ফাওবা টেন্দর পীবনা শেন্লিবা লম্বী খুৎশেম অসিদগী গাড়ী চৎপা য়াহনদবনি হায়বগী মরম পীরি। হৌখিবা ২০১৩ গী ওক্তোবর থাদা হন্নবা থাক্কী রেটতা মথক্কী মফম ৪ গী থবকশিং অদু পীখিবনি।*(মখা লাঃ৪দা)*

# লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা জাতি ফুরুপ খুদিংমক ইমুং অমত্তগী মচিন মনাওনি হায়না খনগদবনি

*-গাইখাঙম*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ২০ঃ* মৈহৌরোলদগী জাতি কয়ানা মণিপুরগী মচা-মশু ওইনা লৈরক্লিবা লিপুন অদু কনখৎনবা ঐখোয়না হোৎনগদবনি। খরম জাতিনা মীশিং য়ামদে হায়না নিংহন্নফম থোক্তে। লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা জাতি ফুরুপ খুদিংমক ইমুং অমত্তগী মচিন মনাওনি খনগদবনি হায়না ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লাইকোই খারম ভিলেজতা গ্রোয়িং ৱিথ ৱিসদম এন্দ বিল্ডিং কলচর ওফ পিছ হায়বা থিমদা খারম ষ্টুদেন্টস কনফরেন্স কম কলচরেল মিট হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মণিপুর কলচরেল হেরিটেজগী পুক্কে ইনাক খুল্লি হায়না পানরিবা অসিদা খারম জাতি অসিগীসু য়াওরিবনি। ঐ ঐগী শক্তম মশক খঙবগা লোইননা ষ্টেটকী ৱেলফেয়ার অমদি য়ুনিটিগীদমক্তসু হোৎনগদবনি।

খারম ভিলেজবু সরকারনা রিকগনাইজ তৌদবগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবদা, চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা হিলস পায়রিঙৈ মতমদা সরকারগী ওথোরাইজেসন অমসুং এপ্রুভেল য়াওদনা ওফিসার লেভেলদা য়াম্না বাজ ওইনা খুল ২০০ রোম রিকগনাইজ পীরম্বদগী কেন্সেল তৌখিবনি। অশোয়বশিং অদুদা জেন্যুল ওইবসু য়াওরম্বা য়াই। মদুগী মনুংদা জেন্যুল ওইবা কেসশিং অদু সিএম অমসুং কেবিনেটতা খন্নদুনা রেষ্টোর তৌনবা হোৎনগে হায়খি।

অমরোমদা করিগুম্বা কানদা খারম ভিলেজরোমদা শেল খরগীদমক উমং কোকথোক্তুনা ইনভাইরোনমেন্টতা কায়হল্লকপা য়াবা থবক তৌরিবসি তৌবিগনু হায়খি।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা লম্লাই কেন্দ্রগী এমএলএ কেঐচ বিরেন্না হায়খিবদা, মণিপুরদা খুন দারিবা খারম জাতিনা খুন্দারিবা খুলদগী লাকপা মীওইশিংনা পুন্দুনা মহৈরোইগী কনফরেন্স পাঙথোকপা অসিনা চাওখৎপা অমসুং অৱাৎ-অপা কয়া মেনখৎপদা মতেং ওইরগনি। খারম জাতিগী ওইনা সরকারগী থবক তৌবা মী ৱাৎপা অমসুং লাইরিক হৈবগী মশিং ৱাংলিবসি চহী মরি মরি খুদিংগী পাঙথোক্লিবা কনফরেন্স অসিনা কান্নবা শোয়দনা পীগনি হায়খি।

# এমএলএ শ্যামকুমারনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাধামোহন উন্নখ্রে কংগ্রেস সরকারগী অশোয়বশিং পাউদমখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ২০ :* মনিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেস (এমপিটিসি) গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ঙসি ভেটিরিনরিগী চার্জসু পুরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাধামোহন উন্নদুনা কংগ্রেস সরকারগী অশোয়বা-অরানবা কয়া পাউদমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.১৬ তগী মিনিট ২০ রোম নিউ দিল্লিগী কৃষি ভাবনদা লৈবা য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্টরগী ওফিসতা এমএলএ শ্যামকুমারনা মিনিষ্টরগা উন্নদুনা মণিপুরদা হৌজিক হুইনা মী চিকপদগী মীশি-মীনা থোক্তুনা রেবিজ লায়না পাকশন্না থোরক্লিবা অসিগী মতাংদা পাউদমখি।

মণিপুর সরকারগী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট অসি নহান মখে থবক অমত্তা তৌদনা লৈরুরগা হৌজিক্তা হুই অঙাওবা কয়া থোরক্তুনা মী চিক্লগা মীশি মীনা থোরক্লবা মতমখক্তদা দিপার্টমেন্ট অসি লৈরি হায়বা থোরকপা অসি লায়বক থিবনি। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মণিপুরগী কেন্দ্র কয়াদা লৈরিবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল অমসুং দিস্পেন্সরিশিং নহান মখে থবক অমত্তা তৌদে হায়না শ্যামকুমারনা মিনিষ্টরদা খঙহনখি।

মণিপুর সরকারগী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা সেন্টরনা তোঙান তোঙানবা স্কিম প্রোজেক্ট কয়াগী হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা থাদরকখিবা য়াম্লবা শেলফম কয়া নিংথিনা শিজিন্নদ্রে। থাদখিবা য়াম্লবা শেলফমশিং অদুগী মতাংদা সেন্টরনা নিংথিনা থিগৎপীনবা এমএলএ শ্যামকুমারনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা উন্নবা অদুদা পাউদমখি হায়না শ্যামকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

পিকখ্রবা মণিপুরগুম্বা ষ্টেটতা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা মথৌ নিংথিনা তৌদবদগী হুইনা মী চিকপগী লায়না পাকশন্না থোরকপনি। দিপার্টমেন্টনা হিদাক মতম চানা কাপথোক্লবা খঙহল্লবসু কাপ্তুবদগী লায়না অসি থোরকপনি হায়না খঙহনখি।*(মখা লাঃ৪দা)*

# মিনিষ্টর ৫ / ৬ রিসফল তৌগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ২০ঃ* ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা মিনিষ্টর রিসফলগী ৱাথোক য়েংশিনবা অমসুং কংগ্রেস মপাঙ্গল কনখৎহনবগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লমখিবা এ আই সি সি গী নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ নরায়ান শামিনা মিনিষ্টর ৫/৬ তি রিসফল তৌগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে হায়রি।

ইশু অসিগা মরী লৈননা দিসিদেন্ট এমএলএ খরগা ৱারী শানবদা ফোঙদোরকখিবদি, মিনিষ্টর রিসফল তৌগদবনি হায়না দাবী তৌরিবা এমএলএ ২৭ কী মহুৎ শিল্লগা এমএলএ মরিনা ভি নরায়ান শামি ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা তোঙান্না উন্নখি। মদুদা করিগুম্বা ইবোবী সরকার অসি অথুবদা রিসফল তৌদবা তারবদি দিসিদেন্ট এমএলএশিংনা অতোপ্পা লম্বী নত্রগা পাম্বৈ অমা থিরগনি। মমাংদা আই এল পি ইশু লৈবদগী মিনিষ্টর রিসফলগী ৱাফম অসি তুমিন্না লৈরুবনি। মিনিষ্টর রিসফল তৌগদবনি হায়বা দিসিদেন্ট এমএলএশিংগী খোঙজং হৌজিকসু হন্দোকপা লৈত্রি হায়না খঙহনখি। দিসিদেন্ট এমএলএশিংগী ৱাফমশিং অদু তারবা তুংদা কংগ্রেস হায় কম্মান্দগা তানরবা তুংদা মিনিষ্টর রিসফলগী থবক তৌনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরমখি হায়রি।

এ আইসিসিগী নোর্থইষ্ট ইন চার্জ ভি নরায়ন শামিনা ঙসি কোহিমাদা হনখ্রবা মতুং মখা তানা কংগ্রেসকী দিসিদেন্ট এমএলএশিংগা ৱারী শানখি।*(মখা লাঃ৪দা)*

# মীতৈ-নাগাগী প্রোব্লেম থার্দ ফোর্স অমনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই

*-মুইভা*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১৯ :* নাগা অমসুং মীতৈগী প্রোব্লেম অসি মীতৈ অমসুং নাগা অনি পুন্না ৱাখল তামিন্নরগা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। অতোপ্পা থার্দ ফোর্স অমনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। নাগা অমসুং মীতৈ অনিগী হিষ্ট্রি খেন্নবনা ৱারোইশিনসু খেন্নবা য়াই হায়না এনএসসিএন (আইএম)গী জেনরেল সেক্রেটরি মুইভানা এমএনএফকী লুচিংবা অমসু ওইরিবা লুচিং পুরেল চীংশুবম অকাবা নীংশিং লুপকী চেয়ারপার্সন চীংশুবম ৱাঙ্গীদা ফোঙদোরকখ্রে।

মখা তানা হায়রকখিবদা, মতম খরদি মীতৈ-নাগা অনিগী মরক্তা মুরু বা লৈবা য়াই। অদুবু অনিসিগী থুংনফম অমা লৈবগী মতম লাক্কনি। নাগা অমসুং মীতৈগী তুংলগী লাইবক ঐখোয় ইশানা লেপচগদবনি। চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা নাগা অমসুং মীতৈগী ভাব তানবা পুরকপা ঙম্রোই।

এনএসসিএন (আইএম)গী অল্টো কিলোন্সর মুইভাগা উন্নখিবা অদুদা ৱাখা লৈমা চীংদা খিল্লিবা ওজা অকাবা অমসুং সুইসাগী ত্রিন ষ্টেচু ওফ লভ, পিছ এন্দ ফেটরনিতিগী ফ্রেম চনবা ফোটো অমসু খুদোল তমখি। লুচিংবা অনিগী ত্রিন ষ্টেচু অদু য়েংলদুনা মুইভানা হায়খিবদা,সুইসানা মীতৈ অমসুং নাগাগী প্রোব্লেম অসি মীতৈ-নাগা অনি পুন্না ৱাখল তামিন্নরগা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়না ফোঙদোক্লমখি। মরম অদুনা ওজা অকাবা অমসুং সুইসা অনিনা চৎলম্বা লম্বীদুদা চৎলবদি নাগা অমসুং মীতৈ অনিগী থুংনফম লৈগনি।*(মখা লাঃ৪দা)*

[illegible]

## “রেবিজ লায়নাদগী ঙাকথোকসি”

- রেবিজ হায়বা লায়না অসি রেবদোভাইরসনা থোকহনবা শা খুদিংমক্তা নাহনবা ঙম্বা শাথিরবা লায়না অমনি।
- পীক্লিঙৈদা মমাগী মখোম থকপা জিবা অমদি জঙ্গলদা লৈবা শাশিং অমদি য়ুমদা য়োকপা য়ুমশা খুদিংদশু নাহল্লি।
- মরু ওইনা লায়না অসিনা নারবা হুই নত্রগা হৌদোংনা মীওইবদা অমদি অতৈ য়ুমশাশিংদা চিকখিবদগী লায়না অসি শন্দোকহল্লি।
- রেবিজনা নারবা হুইশিং - মমিৎ ঙাংবা, মতিন তাবা, চাবা থকপা ঙমদবা, খোংবদা মখোল শেংদবা, তুমিন্না কুন্দুনা লৈরবা নত্রগা শাথিরবা মওংদা অউ-অউবা মী, শা-যন অমদি মমাংদা লৈবা পোৎ-চৈদা চিকখাইবা অমদি মতুং তারকপদা মখোং পংথরকপা অমদি শিথরকপা থেংনগনি।

**রেবিজ ঙাকথোক্লবগীদমক্তা:**

- য়ুমদা লোয়বা হুইশিংবু মকোন নত্রগা পুনশিল্লগা থম্বীদুনা চখোক চৎশিন তৌহনবীগনু।
- য়ুমদা য়োকপা হুইশিং ঙম্লবদি হৌদোংশিংবু এন্টি রেবিজগী তিকা মতম চানা থাদোকপা অসিনি। মসিগীদমক্তা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টতা মতিক চাবা রেবিজ ভেক্সিন লৈরে।

**করিগুম্বা রেবিজনা নারে হায়না চিংনবা হুই অমনা মী নত্রগা শাদা চিক্লবদি:**

- অকিবা মীপাইবা পোকপিগনু।
- অশোকপা মফম অদু অথুবা মতমদা অরুবা ঈশিংনা নীংথিনা চামথোকপীয়ু।
- শোক্লিবা মফম অদুদা দেটোল /সেব্লোন /এন্টিসেপটিক লোসন তৈশিনবীয়ু।
- হুইনা চিকপা অদুদা ঈ থোকপা, খোতৎপা নত্রগনা ঈ থোক্তুবা ফাওবদা মীওই অদু মনাক নকপা হোস্পিতাল নত্রগা মেদিকেল ইষ্টাব্লিসমেন্টতা পুবিয়ু অদুগা চিক্লুরিবা হুই অদুসু মনাক নকপা ভেটিরিনরি হোস্পিতাল /ইষ্টাব্লিসমেন্টতা পোষ্ট বাইট এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকনবগীদমক্তা পুবিয়ু।
- করিগুম্বা হুই অঙাওবনি হায়না চিংনবা হুইনা মী অমদি য়ুমশাদা চিকখিবা থোক্লবদি হুই অদু কৈদৌনুংদা খুদক্তা হাৎতোকপীগনু অমদি চাবিগনু। নিংথিজনা ফাজিন পুনশিন্দুনা নুমিৎ ১০ দগী ১৪ নি ফাওবা ওবজার্ভেসনদা থম্বীয়ু।
- হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা হুই অদু শিখ্রবদি সঞ্জেহোংদা লৈরিবা দিজিজ ইনভেষ্টিগেসন লেবোরেটরিদা অশিবা হুই অদু পুখৎপিদুনা চাংয়েং পাঙথোক্তুনা রেবিজ কনফার্ম তৌথোকপীয়ু। লোইননা অশিবা হুই অদু লৈবাক লুনা তৌদুনা ফুমজিনবীয়ু।
- রেবিজ লায়না লৈরে চিংনবা হুইদগী তারকপা মতিন শোকপীগনু। মসিনা করিগুম্বা উনশাগী অশোকপা নত্রগা মফমগা থেংনরবদি নহাক রেবিজনা নারকপা য়াই।

পাউজেঞ্জরিবাঃ-

**দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,**
**গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

# টেন্দর নোটিস থোক্তনা এসআইআরদিগী বিল্ডিং শারে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ২০ :* মণিপুরদা হৌজিক লোক্তাক পাৎ শেংবা অমসুং এমদিএসকী লুপা ক্রোর কয়াগী করপসনগী ৱাফম পোলিটিকেল পার্টি অমসুং প্রজা সেক্সন কয়াগী মায়কৈদগী পুথোক্লরক্তুনা চাংনবা লোইদ্রিঙৈদা ষ্টেট ইনষ্টিট্যুট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট (এসআইআরদি) গী ওফিস বিল্ডিংবু মণিপুর সরকারনা টেন্দর নোটিস অমা ফাওবদা থোক্তনা ইকুইপমেন্ট লৈতবা ইঞ্জিনিয়ারিং সেল অমদা শাহল্লে।

য়াম্না অৱাংবা থাক্কী পাউগী সোর্স অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দিপ্যুটি কম্মিস্নার (দিসি) ওফিস কমপ্লেক্সকী মনুংদা শাগৎলিবা এসআইআরদিগী ওফিস বিল্ডিং অসি ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টকী সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমগী শেন্থং মখাদা শানবা লুপা ক্রোর ১৫ চংনা শাগদবনি।

ষ্টেট সরকারগী চৎনবী ওর্দর মতুংইন্না করিগুম্বা বিল্ডিং অমা শেমগৎ-শাগৎপগী শেলফম অসি লুপা ক্রোর ২ দগী হেল্লবদি ওনলাইনগী খুথাংদা টেন্দর তৌগদবনি হায়না লৈরি। অদুবু হৌজিক শেমগৎ-শাগৎলিবা এসআইআরদিগী ওফিস বিল্ডিং অসি শানবা টেন্দর নোটিফিকেসন অমা ফাওবা থোকখিবা লৈতে হায়বা ৱাফম থোরক্লি।

মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা কদাই ফাওবদা নিয়ম চুম্না টেন্দর তৌখিবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক শেমগৎ-শাগৎলিবা অসি দিসি ওফিসকী বিল্ডিংগী শরুক্লা নত্রগা করম্বা মখলগী ওফিস ওইগদবা বিল্ডিংনো হায়বা অখংবা খরা নত্তনা কনাগুম্বা অমত্তনা খঙদ্রি।

মণিপুর সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলনা বিল্ডিং অসি শাই হায়রিবা অসি করম্না মওংদা শারিবনো? দিপার্টমেন্ট অসিগী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলগী মেনপাৱার, ইকুইপমেন্ট অমসুং ট্রকচরশিং লৈবরা হায়বা ৱাহং অসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি।

লুপা ক্রোর ১৫ চংনা শাগদবা অচৌবা বিল্ডিং অমবু টেন্দর তৌদনা মতৌ করম্না কন্ট্রেক্ট পীদুনা শাহল্লিবনো।*(মখা লাঃ৪দা)*

**মনুংদাঃ** *রেবিজ লায়না থিংনবা হোৎনবা অচৌবা শেঞ্জাও থেংনগদৌরিব্রা (এদিটোরিয়েল) , মপানগী পাউ, লৈবাক্কী, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা*